ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

এক্সন এট এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্নরগা পি আর দি এ বিষ্ণুপুর অমসুং লৈসাফল ইথিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সেল্ফ দিফেন্স কোচিং ফোর ৱিমেন, গার্লস এন্দ চিলদ্রেনগী থৌরম

SELF DEFENCE COACHING FOR WOMEN, GIRLS & CHILDREN
PRDA
PRESIDENT

লামায় ৫

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল সেমিনারদা শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফালদা লাকখিবা ম্যান্মারগী দেলিগেটশিংগা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনখিবা

লামায় ৩

দাইওসিসান সোসল সর্ভিস সোসাইটিনা শীন্দুনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দি এস এস এস ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা পোষ্টর কেম্পেয়্যন ওন ওর্গানিক এৱ্যেরনেস লোঞ্চ তৌবগী থৌরম

LAUNCHING
POSTER CAMP
GANIC
LAUNCHING

লামায় ৪

সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা মাদর ক্যের চিলদ্রেন হোস্পিটালদা লুংনিলা ইলিজাবেথ পেদিয়াট্রিক ক্যের য়ুনিট হাংদোকখিবগী থৌরম

লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.261 শগোলশেন, পোইনুগী ২৩নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, December 19, 2019, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থবক লৌবগী ফল লাউথোক্তনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী হাঙদুনা লৈরিবা ফমশিং লৌনবগী চথরিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসকী ফল অমত্তা লৈঙাক্কী মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা লাউথোক্তনবা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

মোইরাংথেম বোবিনা মুসুগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং খন্ননবা ঙসি পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাক্লবা মোইরাংথেম বোবিনা মুসুগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

মীখল অসিগী আর ও প্রো. টি ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯-২০ একাদেমিক সেসনগী ওইনা মুসুগী থৌ পুনবগীদমক খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা মোইরাংথেম বোবি, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা খুরাইজম সিংহজিৎ, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খ্বাইরাকপম নবকিশ্বর, কলচরেল সেক্রেটরি ওইনা সন্তোশ খাইদেম অমসুং স্পোর্টস সেক্রেটরি ওইনা হিজম উত্তমনি হায়রি।

ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(ঐচ এন এস): খেংজোইদা শাগনি হায়না তৌরম্বা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল চিংখির ভিলেজ চান্দেলদা শাননবা থৌরাং পায়খৎলক্লিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কুকি চীফ এসোসিএসন খেংজোই ব্লোক অমসুং কে এস ও খেংজোই সব-দিভিজনদা দিসেম্বর ১৯দগী ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা বন্দ কৌখ্রে। ইম্ফাল -মোরে লম্বীদা কৌরিবা বন্দ অসি হিলস ট্রাইবেল কাউন্সিল মোরেনসু মপূং ফানা শৌগৎগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

আই এল পিগী ষ্টেট গেজেট ফোঙলগনি, চৎন- কাঙলোনশিং জন্যুৱারীগী অহানবা চয়োল ফাওবদা পুথোক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি)গা মরী লৈননা ষ্টেট গেজেট অথুবদা ফোঙলগনি। চৎনগদবা কাঙলোনশিং জন্যুৱারী অহানবা চয়োল ফাওবদা পুথোক্লগনি হায়না হোমগী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি এসেমব্লী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

এসেমব্লী মীফমদা ঙসি ওপোজিসনগী এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষন অমদি আর কে ইমোনা আই এল পিগা মরী লৈননা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক লো অমা চৎনহন্নবা মতম শাংনদগী হোৎনদুনা লাকখিবনি। আই এল পি চৎনহন্নবা মতম শাংনা তান্দুনা লাকখিবা অদু হন্দক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরকপা অসিগীদমক থাগৎফম থোকই। য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা আই এল পি সিষ্টম চৎনহন্নবা থবক পায়খৎলি। অথুবদা ষ্টেট গেজেট ফোঙলগনি। আই এল পি

TH. SHYAMKUMAR
Y. JOYKUMAR SINGH
N. BIREN SINGH
LETPAO HAOKIP

চৎনহন্নবা কাঙলোনশিংসু জন্যুৱারী অহানবা চয়োল ফাওবদা পুথোক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনরি। আই এল পি হান্ননা চৎনখ্রবা ষ্টেটশিংগী মওংসু য়েংশিল্লে। ষ্টেট অসিদা চুনবা মওংদা চৎনবা য়াগদবা কাঙলোনশিং শেম্বগী থবক চথরি। ওনলাইনদসু আই এল পি অসি লৌবা য়ানবগী সোফ্টৱায়র শেম্লি। আই এল পিগী ফোর্মশিংসু নম্লগনি। মপান ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুর ভবনশিংদসু আই এল পিগী ফোর্ম থমগনি। ষ্টেট অসিগী মফম তরেৎ হেনবদা এন্ট্রি পোইন্ট আইদেন্টিফাইদ তৌরে। মণিপুরদা চঙলক্নদবা এন্ট্রি পোইন্টশিং অসিদা আই এল পিগী চৎন-কাঙলোন কয়া ঙাক্লবা চপ চাবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎকনি।

বেজ ইয়রগী ৱাফমদি এন আর সী লাকপা মতমদা খন্নগদবা ৱাফমনি। মণিপুরদসু এন আর সী পায়খৎহন্ননবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে। এন আর সীগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী অয়াবা হেক ফংবগা হীরমসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌগনি। মীয়াম্না মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা ইন্নর লাইন পর্মিট ফংলে। মাও, জিরিবাম, মোরে য়াওনা মফম কয়াদা এন্ট্রি পোইন্টশিং শেমগৎনবা থবক চথরি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

হান্নগী এম এল এ ইবোহল লৈখিদবগী ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৯শুবা সেসন ঙসিদগী হৌখিবগা লোয়ননা থাঙ্গা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী কাদুনা এম এল এ ওইরম্বা সলাম ইবোহল লৈখিদবগী ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

এসেমব্লী মীফমদা ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, লৈখিদ্রবা সলাম ইবোহল মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌনা খুন্নাইসিগীদমক থবক তৌদুনা লাকখিবা লুচিংবা অমনি। দি এম কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌসু পুরম্মী। এমসুগী থৌসু পুরম্মী। থাঙ্গা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী ৫শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা কারক্তুনা মিনিষ্টরসু ওইরমখি। আর দি এন্দ পি আর, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

জন্যুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টর রিসফল তৌ হায়না মতম থাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেটসিদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক চহী অনী মখায় ফারকপগা ঈরোয়ননা এম এল এশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবা কয়া মথি ফোঙবগী চাং হেনগৎলক্লে। মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মিনিষ্টর রিসফল তৌ হায়না এম এল এ ১৯না চীফ মিনিষ্টরদা মতম থাখ্রে হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চঙলকখিবা খরা য়াওনা এম এল এ ১৯না খূৎয়েক পীরদুনা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মেজর রিসফল তৌবীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে। হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসি চহী অনী মখায় হেঞ্জিল্লক্লে। কুমজা ২০২০গী মার্চ ১৫দদি চহী ৩ মপূং ফারগনি। কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা ফুল মেজোরিটি ফংদুনা অমুক হল্লক্নবগীদমক অমদি হৌজিক-হৌজিক এম এল এ ওইরিবশিংসু অমুক হন্না মায় পাকহন্নবগীদমক মিনিষ্টরশিং অসি হোংদোক-হোংজিন তৌবগী মথৌ তাই। মরম অসিনা হৌজিক-হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবশিং অসি লৌথোক্লগা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৫ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মিনিষ্টরশিং খনবীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখিবনি।

মিনিষ্টরশিং শীন্দোক্কদবনি হায়বা দিমান্দদা ঙরাংদগী হৌরগা এম এল এশিংনা কেম্প তৌরকখিবা অদু মখা চথুরি। এম এল এ খরদি এসেমব্লী মীফমদা শরুক য়াখিদ্রে। কেম্পতা য়াওরিবা এম এল এ অমনা ফোঙদোরকপদা, ষ্টেটসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকপা চহী ৩ লোম ফাজিল্লক্কদৌরে। অদুবু মিনিষ্টর ওইরিবা খরগী পর্ফোমেন্স য়াম্না শোনবদা নত্তনা এম এল এশিংগসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

লাইশ্রম বিরমঙ্গোলদা চহীসিগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(ঐচ এন এস): মীয়াম্না বেরিল থাঙ্গ হায়রগসু খঙনবা মণিপুরদগী লাইশ্রম বিরমঙ্গোলদা চহী অসিগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীরগনি।

তোঙান-তোঙানবা লোল ২৩দা চহী অসিগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকপদা লাইশ্রম বিরমঙ্গোলসু য়াওরকখিবনি। সাহিত্য একাদেমিনা ঙসি শৈরেং লাইরিক তরেৎ, নোবেল মরি, ৱারী মচা তরুক, এসে অহুম, ক্রিয়েটিভ নন-ফিক্সন, ওটো বাইওগ্রাফি অমসুং বাইওগ্রাফি অমমম্ খনগৎলগা চহী অসিগী সাহিত্য এৱার্দ ফংলগদবশিংগী মিং

লাউথোরকখিবনি। ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতগী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনীয়র ওইনা থবক্তগী পোথাখ্রবা লাইশ্রম বিরমঙ্গোলনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ২০১৯ পীননবা খল্লকখিবা অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

সি এ এগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা জন্যুৱারীগী অনীশুবা চয়োল ফাওবদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি): সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯গী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ৫৯গী হিয়ারিং চথখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী থাগী ২শুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা সেন্টরদা খঙহনখ্রে।

চীফ জষ্টিস এস এ বোবদে, জষ্টিস বি আর গবাই অমসুং জষ্টিস সুরিয়া কান্তগী বেঞ্চনা জনুৱারি ২২দা মথংগী হিয়ারিং চথরগনি হায়না লাউথোকখি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল ভেনুগোপালনা হায়খি মদুদি লৈবাক্কী মফম খুদিংমক্তা চৎনহনখ্রবা এক্ট অসি ষ্টে তৌবা য়াররোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মরিরক ৱায়েল পীবা লৈখ্রে।

সি এ এগী মায়োক্তা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা জয়রাম রমসে, ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইতেহাদুল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম)গী লুচিংবা অসাদ উদ্দিন ওৱাই সি, ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী এম পি মহুৱা মোইত্রা, রাষ্ট্রিয়া জন্তা দল (আর জে দি), জামিয়াত উলেমা-ঈ-হিন্দ, ত্রিপুরাগী রোয়েল ফেমিলিগী মেম্বর প্রদ্যোত কিশ্বর দেব বর্মন, ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুস্লিম লীগ (আই য়ু এম এল)অমসুং ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) য়াওরি।

পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্না সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা এসেন্ট পীবদগী এক্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

থা অসিগী মনুংদা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খনগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মন্দলশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টকী ওর্গনাইজেসনল ইলেক্সন লোইশিল্লকপগা ঈরোয়ননা থা অসিগী মনুংদা পার্টি অসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনগদৌরি।

মণিপুরগী ওর্গনাইজেসন ইলেক্সনগা মরী লৈনবা মরুওইবা থৌ পুরিবা লুচিংবা অমনা ফোঙদোরকপদা, বি জে পি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং মন্দলশিংগী ওর্গনাইজেসন ইলেক্সন মথং-মথং পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লক্লে। ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট খন্নবগী তাঙ্কক য়ৌরক্লে। থা অসিগী মনুংদদি বি জে পি মণিপুর ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL Poll

Q: Manipur leingakki ministersing reshuffle tou haina MLA 19 na CM da takshillakliba asi maram chai khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Census record ta Sanamahi lainingbu minority religion oina happagi tangaifadaba leire khanbra?

Yes 81% No 19%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২২ °C খ্বাইদগী ঈংবা ৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৯

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ঐনা ঠিকা লৌগেনা থল্লিবা স্কুলনি, নঙনা অমুক অওৎ-অপা শারল্লিবরা?



- ননাই ঐ স্কুল অসিগী ওজানি...!

প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিটি শেম্নবা মীৎয়েং চঙলি, রবি ক্রোপকী লুপা ক্রোর ৬ প্লান্নিংদগী পীখ্রে : বিরেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা মরম চাদনা পোৎকী মমল হেনগৎপা চেক তৌনবগীদমক ষ্টেট লেভেল প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিটি শেম্নবা মীৎয়েং চঙলি। রবি ক্রোপকীদমক প্লান্নিংদগী লুপা ক্রোর ৬ পীখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

পোৎচৈগী মমল তাঙলকপগা মরী লৈননা ঙসি হাউসতা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি সুর্যকুমার ওক্রমনা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, অসামদা সী এ বিগী ঈরাং লৈখিবনা মণিপুরদা থোরক্কদবা গাড়ীশিং চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা থেংনবা লৈখি। মণিপুরদা চঙলক্কদবা গাড়ীশিং চঙলকপা য়াদবদগী পেট্রোলগী পোৎলমশিংগীদমক মীপায়বা পোক্লবা থেংনখি। হৌজিক্তি অসামগী ঈরাংসু খরা ফরকপগা লোয়ননা ইম্ফালদা গাড়ী থোরকপা হৌরে। থাউ পুবা গাড়ীশিং অমদি অতৈ পোৎলম পুবা গাড়ীশিং পুন্না ১২৮ লোম থোরকখ্রে। হৌজিক হান্নগী মতৌগুম চথবা য়ানবা কন্না মীৎয়েং থল্লি। মরম চাদনা পোৎচৈগী মমল হেনগৎপা চেক তৌহন্নবগীদমক প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিটি থম্নবা মীৎয়েং চঙলি।

চহী অসিদা নোংজুগী চাং ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা পোথোক পুথোকপগী চাং হন্থরকপগী ফীভম লাক্কদবা লৈবনা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙলি। সেন্টরদা লুপা ক্রোর ১৫১ লোম রিভর্স তৌরক্নবগী থাখ্রে। রবি ক্রোপকী থবক কয়া পায়খৎনবগীদমক লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙলি। অহানবগী ওইনা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতগী লুপা ক্রোর ৬ পীবা হৌখ্রে। মরু-মরাং য়েম্থোকপা য়াওনা তঙাইফদবশিং পায়খৎকনি। লৌফমশিংগা চান্নচান্নবা মহৈ-মরোং মখল কয়া থানবা মীৎয়েং চঙলি। পোৎচৈগী মমল মরম চাদনা হেনগৎতনবা চেক তৌগনি। তিলহৌ মমল তাঙবগী ৱাফম অসিদি ওল ইন্দিয়াগী ওইনা লাকপা ৱাফমনি। অসামগী ঈরাংনা মরম ওইরগা পোৎচৈ পুশিল্লকপা য়াদনা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি পুশিনবা হৌরবনিনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

থাউ পম্পশিংদা ঙসিদগী মহৌশাগুম চাং নাইনা থাউ ফংলগনি : শ্যাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): অসামদা সী এ এগী ঈরাং লৈখিবনা মরম ওইরগা নুমীৎ খরনি ইম্ফালদা থাউ পুশিল্লক্কদবা গাড়ীশিং চঙলকপা য়াদবগী মরক্তা নুমীৎ হুম্নীরোম তঙাইফদনা ওইল পম্পশিংদা রেস্নেলাইজ দিষ্ট্রিব্যুসনগী মওং চথরম্বা অদু হয়েংদগীদি মহৌশাগুম চাং নাইনা থাউ ফংলগনি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়টতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকা মরী লৈননা অসামদা ঈরাং লৈরিঙৈ মনুংদা মণিপুরদা চঙলক্কদবা থাউ পুবা গাড়ীশিং অপনবা লৈখি। হৌখিবা নুমীৎ হুম্নীরোম অসিদা ওইল পম্পশিংদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা রেস্নেলাইজ ওইনা থাউ পীরম্বনি। অদুবু হৌজিক ওইল টেঙ্করশিং চঙলকপা হৌবগা লোয়ননা হয়েংদগীদি মহৌশাগুম পম্পশিংদা চাং নাইনা থাউ ফংলগনি। নোর্মেল ওইনা থাউ হানবা য়ারগনি। পেট্রোল টেঙ্কর ২৫, দিজল টেঙ্কর ৪২, এস কে ওইল টেঙ্কর ৩, এল পি জি টেঙ্কর ৫৩ রোম ইম্ফালদা য়ৌরকখ্রে। মখা তানা গাড়ী কয়া অমসু হৌজিক চঙলকপা হৌখ্রে। হয়েংসু গাড়ী কয়া থুংগনি। থাউ পুবা গাড়ীশিং য়ৌরকপগা লোয়ননা মহৌশাগুম চাং নাইনা থাউ ফংলগনি। হৌখিবা নুমীৎ হুম্নীরোম অসিদা পম্পশিংদা থাউ হানবদা রেস্নেলাইজ তৌদুনা পীবগী মওং থল্লম্বনি। মসিসু চেকশিন থৌরাং ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯄꯥꯟꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯍꯥꯏꯖꯕ / PUBLIC APPEAL

IMPHAL, the 17th Dec 2019

MSPDCL গী Electrical Circle I না কোনবা মফমদা লৈরিবা **Post-paid** নৎত্রগা **Unmetered** কঞ্জ্যুমরশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৈগী বিল শাবা অমদি থীদোকপগী প্রোসেস অসি হেন্না ট্রান্সপরেন্ট ওইননবা অমদি কঞ্জ্যুমরশিংদা হেন্না খূদোংচানবা অনৌবা billing system অমা হাংদুনা লৈরে। কঞ্জ্যুমরশিংনা web address http://billing.mspdcl.info দা চঙলগা ইশাগী বিল য়েংবীবা অমদি থীদোকপীবা য়ারগনি। Online billing system অসিদা শারকপা বিল নৎতবা হান্না চৎনরম্বা hand-bill অমত্তা কঞ্জ্যুমরশিংনা লৌবীদনবসু নীংশিংজরি। Pre-Paid meter য়াখিদবদগী meter লৌথোকখিবা নৎত্রগা pre-paid meter activate তৌদ্রিবা কঞ্জ্যুমরশিংদসু হায়রিবা billing system অসি চৎনগনি।

কঞ্জ্যুমরশিংনা ইশা-ইশাগী কনেক্সন হায়রিবা billing system অসিদা রেজিষ্টর তৌরব্রা হায়বদু চ্যেক তৌবীনবা নীংশিংজরি। করিগুম্বা হায়রিবা billing system অসিদা রেজিষ্টর তৌদ্রিবা ওইরগদি তাং ১৫/০১/২০২০ ফাওবগী মনুংদা ইশাগী মনাক নকপা MSPDCL sub-division office তা চৎপীদুনা রেজিষ্টর তৌহনবীয়ু।

করিগুম্বা MSPDCL গী মোবাইল রেইদ টিমনা খঙহৌদনা চ্যেক লাকপা মতমদা অনৌবা billing system অসিদা রেজিষ্টর ওইদবা কঞ্জ্যুমর থেংনরবদি সোমগী কনেক্সন অদু ইল্লিগেল ওইনা ট্রিট তৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩গী মতুং ইন্না চৈরাক ফংবা য়াই। রেইদ টিমনা দিসকনেক্ট তৌরম্লবা মতুংদা কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা অমুক হন্না মৈ কনেক্সন লৌরম্লবদি চহী অনী ফাওবা মৈ কনেক্সন কক্পা য়াই।

Sd/- **B. Ibomcha Sharma**
GM (Electrical Circle II, MSPDCL)

HL-B/5897/18,19 & 20

লৈঙাক্না লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল সস্পেন্দ তৌখিবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটর হাপচিল্লুবগী ওর্দরশিং হায় কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮(ঐচ এন এস): লৈঙাকসিগী মণিপুর হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট (মাহুদ) লোইশঙনা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা সর্ভ তৌখিবা শো-কোজ নোটিস অমগা লোয়ননা কাউন্সিল অসিবু থা ৬কী ওইনা সস্পেন্দ তৌরগা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর অমা হাপচিল্লুবগী ওর্দরশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

অন্দর সেক্রেটরি (মাহুদ)কী মায়কৈদগী ম্যুনিসিপাল

কাউন্সিল অসিদা ইস্যু তৌখিবা শো কোজ নোটিফিকেসন/ওর্দর অদুনা চৎলিবা কুমজা অসিগী সেপ্টেম্বর ১২দনি। অদুগা নোটিফিকেসন/ওর্দর অসিগী মতুংদা কাউন্সিল অসিবু থা ৬কী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে হায়দুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন/ওর্দর অদুনা সেপ্টেম্বর ১৬তনি। কাউন্সিল অসিবু সস্পেন্দ তৌদুনা থমজিল্লগা মসিগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সী ঈ ও)বু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপচিনবগী ওর্দরনা সেপ্টেম্বর ২০দা থোকখিবনি। হায়রিবা ওর্দর পূম্নমক অন্দর সেক্রেটরি (মাহুদ)গী মায়কৈদগী থোকখিবা ঙাক্তনি।

অদুবু মাহুদকী নোটিফিকেসন/ওর্দরশিং অসিগী মায়োক্তা কাউন্সিল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

BOOK ONLINE TODAY
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
For Booking
Dial:
1800-345-3838
8258070746
9402267525
TRACK YOUR RIDE IN REAL TIME. KNOW HOW FAR YOUR RIDE IS.
GET IT ON Google Play
DOWNLOAD 100% FREE APP
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-P/5531/12/12-13/01

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫